৬১শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# অহানবা মেচতা ৱাই পি ঐচ য়ু ললাম্থুংনা অমোফা মোইরাংবু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস)ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএ-সন (অম্ফা) না শীন্দুনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকপগুম হন্দক চহীগী ওইনা ৬১রকশুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ ঙসি খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।

টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা কাঙলুপ কয়া থোক্না খাইদোক্তুনা চথরিবা ৬১রকশুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট সনাতোম্বা অমদি এসোসিএসন অসিগী তোঙান তোঙানবা শক্লাইরবা ওফিসল কয়ানা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ৱাই পি ঐচ য়ু ললাম্থুং অমসুং অমোফা মোইরাং লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফকী অঙনবা মতমদগী হৌনা মায়কৈ অনীদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। মেচকী ১২শুবা মিনটতা ৱাই পি ঐচ য়ুগী জর্সি নম্বর ৪ অজে লৌরিয়াম্না অমোফাগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেক অমা দিফেন্দ তৌনবা হোৎনবদা ফাওল তারুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি।

অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা ফাওবদা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে। মেচকী ৩৬শুবা মিনটতা ৱাই পি ঐচ য়ুগী জর্সি নম্বর ১০ সী ঐচ রিক্স মৈতৈনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা মেচ অদু ৱাই পি ঐচ য়ুনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙমখি। রিক্সনা চনখিবা পাঞ্জল অদুগী মিনট ৩ কান্নরগা অমোফা মোইরাংগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ২১ ঐচ জোনসন্না ৱাই পি ঐচ য়ুগী মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু টিম অনীনা পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি। অহানবা হাফ লোইবা মীৎকুপ ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ৬১শুবা মিনটতা ৱাই পি ঐচ য়ুগী সী ঐচ রিক্স মৈতৈনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্চল চনখি। মেচকী ৮০শুবা মিনটতা অমুক ৱাই পি ঐচ সীগী অপু গোলমৈনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা ৱাই পি ঐচ য়ু ললাম্থুংনা অমোফা মোইরাংবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

ঙসিগী মেচ অদুদা অমোফাগী জর্সি নম্বর ১৪ লালমালসাম মীরৈ মাটৈনা মেচকী ৪৮শুবা অমদি জর্সি নম্বর ২৪ এস বাবুলনা এক্সত্রা টাইমগী অনীশুবা মিনটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি।

৮শুবা হরাওরৌ ত্রোফি ভিলেজ ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ লোইশিনখ্রে

# সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌনা টিম চেম্পিয়ন, ৱাই এম সী-এ হরাওরৌনা রন্নর্স-অপ তাখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচএন এস)ঃ

ৱাই এম সী হরাওরৌনা শীন্দুনা ৱাই এম সীগী শান্নবুংদা চথরিবা ৮শুবা হরাওরৌ ত্রোফি ভিলেজ ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ লোইশিনখিবগা লোয়নন্না সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌনা টিম চেম্পিয়ন অমসুং ৱাই এম সী-এ হরাওরৌনা রন্নর্স-অপ তাখ্রে।

টিম ২০না শরুক য়াদুনা কাঙলুপ মরি থোক্না খাইদোক্লগা চথরিবা ৮শুবা হরাওরৌ ত্রোফি ভিলেজ ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট অধক্ষগী কোন্থা খাবম জিলা পরিষদকী মেম্বর পি বিমোলা ৪-খুন্দ্রাকপম জিলা পরিষদকী মেম্বর থাংজম অঙৌবী, ইম্ফাল ইষ্ট উপ অধক্ষগী টোপ নাওরিয়া জিলা পরিষদকী মেম্বর কে এস ঐচ টমা, ক্ষেত্রিগাও জিলা পরিষদকী মেম্বর নুরল ইস্লাম, হরাওরৌ তাঙ্খম গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান লৈশাংথেম কুল্লচন্দ্র, মোইরাংথেম ইন্দিরা অমসুং শগোলশেম জমুনানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবা মতমদা সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌ অমসুং ৱাই এম সী-এ হরাওরৌ লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতগী লোইবা ফাওবদা মায়কৈ অনীনা চেম্পিয়ন ওইনবা অঙম্বা পাঙ্গল ফুদোক্লদুনা ফজনা শান্নখি।





ৱিন্নর ওইখ্রবা সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌ টিম অমদি রন্নর্স-অপ তাখ্রবা ৱাই এম সী-এ হরাওরৌ টিম

অহানবা হাফকী ৭শুবা মিনটতা ৱাই এম সী-এ হরাওরৌগী জর্সি নম্বর ৬ অবিনাসনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। অবিনাসনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেচ অদুগী অঙনবা মতমদা ৱাই এম সী-এনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা সী ঐচ ৱাই য়ু সীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া চথরবসু অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা অদুমক লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ৩৭শুবা মিনটতা সী ঐচ ৱাই য়ু সীগী জর্সি নম্বর ৪ কৃষ্ণনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেচ অদু সী ঐচ ৱাই য়ু সী অমদি ৱাই এম সী-এ পাঞ্জল অমমমদা লৈনখি। পাঞ্জল ১-১দা লৈনখ্রবা মতুং মায়কৈ অনীমক্তগী মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা এটেক কয়া চথনরকখি। অদুবু টিম অনীনা চথনখিবা এটেকশিং অদু দিফেন্দ তৌনদুনা পাঞ্জল ওইনা ওন্থোক্লবা ঙম্নদনা লৈনখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদবদগী মেচ অদু টাই ব্রেক তাদুনা পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌনা ৱাই এম সী-এ হরাওরৌবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী মপূ ওইখি।

সী ঐচ ৱাই য়ু সীগী মায় পাকপগী পেনালটিগী পাঞ্জলশিং অদু লাইস্না, মনিস্না অমদি শান্তনা চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা ৱাই এম সী-এ হরাওরৌগী পেনালটিগী পাঞ্জলশিং অদুনা মহেস অমদি নরেন্দ্রনা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়রনা ৱাই এম সী-এগী অবিনাস, বেষ্ট গোলকিপরনা টিম অসিগী নাওবা, টোপ স্কোররনা ঈ য়ু এস তেলৌগী জিতেন, এমেজিং প্লেয়র ওফ টুর্নামেন্টনা ঈ য়ু এসগী রমানন্দ, বেষ্ট দিফেন্দরনা ৱাই এম সী-এগী মহেস, অহুমশুবা পোজিসন্না লমলাই এফ সী অমদি মরিশুবা পোজিসন্না ঈ য়ু এস সী তেলৌনা তাখি। ৱিন্নর ওইখ্রবা টিমদা ত্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৩০, রন্নর্স-অপ তাখ্রবা টিমদা ত্রোফি য়াওনা লুপা লিশীং ২০, অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবা টিমদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ১০, মরিশুবা পোজিসন তাখ্রবা টিমদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৫ অমদি তোঙান তোঙানবা টাইটল ফংখ্রবা টিম অদি শান্নরোয়শিংদা লুপা লিশীং ২/২ খুৎশিন্নখি।

২শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯

# এফ এস সী তেরা খুরাইজম লৈরক অমসুং জুবেনাইল তেরা সাপম লৈরক মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮(ঐচএন এস)ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ) না শীন্দুনা পাৎশোই পার্টটুগী পময়াল গ্রাউন্দদা চথরিবা ২শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা এফ এস সী তেরা খুরাইজম লৈরক অমসুং জুবেনাইল তেরা সাপম লৈরক মায় পাকখ্রে।

টিম ১২না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্না খাইদোক্তুনা চথরিবা ২শুবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী গ্রুপ এগী ৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১২.৪০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা য়ু এস সী ফয়েং অমসুং এস এফ সী তেরা খুরাইজম লৈরক শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী এটেক কয়া চথনরবসু লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদবদগী ০-০দা লৈনখি।



অনীশুবা হাফ হৌরকপগা টিম অনীনা অহানবা হাফতা শান্নখিবা মওংদগী মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক ফজনা শান্নবা হৌরকখি। মেচকী ৬৪শুবা মিনটতা এস এফ সীগী জর্সি নম্বর ১৮ এন জসোবন্তনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্লগা মেচ অদু এস এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। জসোবন্তনা চনখিবা পাঞ্জল অদু য়ু এস সীগী শান্নরোয়শিংনা হন্দোক্লবা এটেক কয়া চথরকখি। অদুবু এস এফ সীগী মায়কৈদগীসু মেচ অদু ফজনা শান্নখিবনা য়ু এস সীনা চথরক্লিবা এটেকশিং অদু অরেম্বা তাহন্দুনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এস এফ সী তেরা খুরাইজম লৈরক্না য়ু এস সী ফয়েংবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী গ্রুপ এগী ৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এন এস য়ু অৱাং পোৎশংবম অমসুং জুবেনাইল তেরা সাপম লৈরক লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌরকপদগী জুবেনাইলনা এন এস য়ুবু লাকশিন্দুনা শান্নবা উখি। মেচকী ৫শুবা মিনিটতা জুবেনাইলগী জর্সি নম্বর ১২ গান্ধীনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা জুবেনাইলনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। মেচকী ২২শুবা অমদি ২৯শুবা মিনটতা জুবেনাইলগী জর্সি নম্বর ৮ মৈরাবনা পাঞ্জল অনী মথং মথং চনশিন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মহাক্কী টিম্না পাঞ্জল ৩-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ৫৫শুবা মিনটতা এন এস য়ুগী জর্সি নম্বর ১৭ অমরজিৎনা জুবেনাইলগী মাঙজিল থারিবা অহানবা পাঞ্জল হন্দোক্লগা মেচ অদু এন এস য়ুনা পাঞ্জল ১-৩দা লৈনখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা এন এস য়ুগী মায়কৈদগী জুবেনাইলগী অতোপ্পা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু জুবেনাইলনা পাঞ্জল ৩-১দা মায় পাকখি।

## পুপু কপ ফুটবোল

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচএন এস)ঃ

দি পেরদাইস য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু) না শীন্দুনা পুংদোংবমগী শান্নবুংদা থা অসিগী ২৮ ফাওবা চত্থগদৌরিবা ৩শুবা পুপু কপ ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৭ নাইন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা মরুপ এফ সী হৈরোক্লা এস বি আর এফ সী নোংদম্বু পেনালটি পাঞ্জল ৬-৪দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ ওইনা ফেব্রুৱারী ৩দা পি ৱাই পি সী পুংদোংবম অমসুং মরুপ এফ সী হৈরোক শান্নগনি। অহুমশুবা অমদি মরিশুবা পোজিসনগীদমক কে এফ সী খুরাই অমসুং এস বি আর এফ সী নোংদম লম্বা তৌনগনি।

## অমোফা একাদেমি অমসুং এম সী কে দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচএন এস)ঃ

দি এস এ বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মগী শান্নবুংদা চথরিবা ৫শুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮-১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা অমোফা একাদেমি অমসুং এম সী কে দ্রো চৎখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ৪১শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা অমোফা একাদেমি অমসুং এম সী কে শান্নখিবা মেচ অদু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি। অমোফা একাদেমিগী পাঞ্জল অদু মারক্যুরেল কোমনা মেচকী ১৩শুবা অমদি এম সী কেগী পাঞ্জল অদুনা মেচকী ৫৩শুবা মিনটতা তোম্বনা চনখি।

# মণিপুরগী পৱরলিফটিং টিমদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং খনখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচএন এস)ঃ

অসামগী সিলচরদা ফেব্রুৱারী ২২দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্লদৌরিবা নোর্থ ইষ্ট অমসুং ইষ্টর্ন ইন্দিয়া পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ দা মণিপুর পৱরলিফটিং টিমদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং খনখ্রে।

মণিপুর পৱরলিফটিং টিম অসিদা শরুক য়াগদবা পৱরলিফটর শান্নরোয়শিং অদুদি কেজি ৫৯গী কেটেগোরিদা পি বি বি পি টি সীগী ইবোমচা, স্লোপলেন জিম ক্লবকী তামচুই এ চিহুই, পদ্মকুমার অমদি বিসাল নিংথৌজম, পি বি পি টি সীগী কিসেনজিৎ কাংজম অমসুং ঐচ বাসুনি।

কেজি ৬৬কী কেটেগোরিদা স্লোপলেন জিম ক্লবকী টি জেষ্টিন অমসুং পি বি বি পি টি সীগী টি ঐচ সদানন্দনি। কেজি ৭৪গী কেটেগোরিদা পি বি বি পি টি সীগী কে টোনি মঙাং অমদি টোনি লাইশ্রমনি। কেজি ৮৩গী কেটেগোরিদা এস বি বি এফকী গ্রেনিস সোইবম, কেজি ১০৫গী কেটেগোরিদা পি বি বি পি টি সীগী ঐচ রিসিকান্ত, কেজি ৪৭কী কেটেগোরিদা পি বি বি পি টি সীগী এন সুনিতা, কেজি ৫২গী কেটেগোরিদা পি বি বি পি টি সীগী সনসম চাউবা, কেজি ৫৭কী কেটেগোরিদা পি বি বি পি টি সীগী এন জি তোম্বীনি।

কেজি ৬৩গী কেটেগোরিদা সাজেলশঙ অংথাগী এল মেমোনি, পি বি বি পি টি সীগী দব্লিয়ু জমুনা, ৱাই এস এন সীগী এন দিপা অমসুং পি বি বি পি টি সীগী এন প্রেমচান্দনি। কেজি ৭২গী কেটেগোরিদা পি বি বি পি টি সীগী এন ইবেচৌবী অমসুং এল সোবিতা, কেজি ৮৪গী কেটেগোরিদা পি বি বি পি টি সীগী কে মার্সি বারিয়াম অমদি ৱাই এস এন সীগী দব্লিয়ু দিনেশ্বরি, কেজি ৮৪ মথক্কী কেটেগোরিদা পি বি বি পি টি সীগী বলানি।

মণিপুরগী পৱরলিফটিং টিম অসিবু লুচিংগদৌরিবা ওফিসলশিং অদুদি টিম কোচ ওইনা এম তোম্বী অমসুং মেনেজর ওইনা আর কে পুরাননি হায়না ওল মণিপুর পৱরলিফটিং এসোসিএসন (এ এম পি এ) গী জেনরেল সেক্রেটরি এন জি থোইবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

খনগৎলবা লিফটরশিংনা ফেব্রুৱারী ১দগী কোচিংগীদমক পি বি বি পি টি সীগী ত্রেনিং সেন্তরদা অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না চেরোলসিনা মখা তারক্লি।

অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯

# রেজনা মোদেল ক্লব অমসুং ব্লু হোগনা আর আর সী সীবু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮(ঐচএন এস)ঃ

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম সী এ) গী মখাদা লংথবাল স্পোর্টিং ক্লব (এল এস সী) লংথবালনা শীন্দুনা লংথবাল মন্ত্রিখোং মখা লৈকায়দা লৈবা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা রেজ নাগামপালনা মোদেল ক্লব চীংঙামখা অমসুং ব্লু হোগ খুরাইনা আর আর সী সী চুড়াচান্দপুরবু মায়থীবা পীখ্রে।


টিম ২০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ১৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী রেজ নাগামপাল অমসুং মোদেল ক্লব চীংঙামখা শান্নখি। মোদেল ক্লবনা টোস ঙমদুনা বোল্লিং খনখি অদুগা রেজনা অহানবা বেট্টিং তৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা রেজনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৩৫ লৌখি। রেজকী টেনিসন্না বোল ৪০দা রন ৪২, নাওবনা বোল ২৫দা রন ৩৫ অমদি সঞ্জিৎনা বোল ৯দা রন ১৫ লৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা মোদেল ক্লবকী বিশ্বরজিৎনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ৩ অমদি মঙ্গি, বিটেশ্বর অমসুং ধমেননা ৱিকেট অমমম লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা মোদেল ক্লবনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৮ তুরগা শুপ্নতগী রন ১০৫ লৌদুনা মেদ অদু রেজনা রন ৩০দা মায় পাকখি। ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা রেজকী টেনিসন্না ৱিকেট ১ অমদি রন ৪২ লৌদুনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ১৫শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী ব্লু হোগ খুরাই অমসুং আর আর সী সী চুড়াচান্দপুর শান্নখি। মেচ অদু ব্লু হোগনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখি। অহানবা ইন্নিসংতা বেট্টিং তৌখিবা ব্লু হোগনা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৬৩ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা আর আর সী সীনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৭ তুরগা শুপ্নতগী রন ৯৪ লৌদুনা মেচ অদু ব্লু হোগনা রন ৬৯দা মায় পাকখি। ব্লু হোগকী লোকেশ্বরনা রন ৫৬ লৌদুনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

# অহানবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লেভেল চৈবি চেম্পিয়নশিপ লোইশিনখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮(ঐচএন এস)ঃ

ওল মণিপুর চৈবি এসোসিএসন (এ এম সী এ) না শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট চৈবি এসোসিএসন (আই দব্লিয়ু দি সী এ) গী মীৎয়েং মখাদা ওরিয়েন্টল মার্সেল আর্টস এন্দ কলচরেল এসোসিএসনগী হোলদা ঙরাংদগী হৌদুনা নুমিৎ নীনি চূপ্পা চথরকখিবা অহানবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট চৈবি চেম্পিয়নশিপ (মিনি এন্দ সব জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস) ২০১৯ ঙসি লোইশিনখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা তোঙান তোঙানবা শিন্দমশঙদগী টিম ১০দগী নুপা ৪৫ অমদি নুপী ৬৭ পূন্না শান্নরোয় ১১২না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা অহানবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট চৈবি চেম্পিয়নশিপ (মিনি এন্দ সব জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস) ২০১৯ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ওল মণিপুর চৈবি এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওক্রম মংলেম মীতৈ, এ কে ইবোতোম্বী, সোসল ৱার্কর ওইনাম রোমেন, মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট এল অজিৎ, ওরিয়েন্টেল মার্সেল আর্টস এন্দ কলচরেল এসোসিএসন (ও এম এ সী এ) গী প্রসিদেন্ট ওক্রম জয়কুমারনা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট, চীফ গেষ্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিনি বোইজকী কেজি ২০দগী ২৫ ফাওবগী কেটেগোরিদা পি টি টি এস তেরাগী এম এলেক্সনা অহানবা আই দব্লিয়ু ঐচ এল এস এসকী ও য়োহেনবনা অনীশুবা অমসুং এন এল পি এস কাঞ্চিপুরগী লনচেনবা অমদি ও এম এ সী এগী ও খাগেম্বনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

মিনি গর্লসকী কেজি ২৫দগী ৩০ ফাওবগী কেটেগোরিদা এন এল পি এসকী লনথোইবীনা অহানবা, ও এম এ সী এগী রানিলক্সমিনা অনীশুবা অমসুং এম টি টি এলগী জি শ্রিষ্টিনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

HL-P/5901/16-31




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com